## ফোরেন মহৈরোয়শিং চহী ২ লৈহল্লগনি

লন্দন, সেপ্তেম্বর ১১ (এজেন্সি) :
বৃটিশ গভর্নমেন্টনা য়ুমশকৈশা নুমিত্তা লাউথোকখিবা অনৌবা রুলশিংগী বৃটেনদা মহৈ তম্লিবা মখাদা মালেমগী মহৈরোয়শিং গ্রেজ্যুএসন মতুংদা থবক থিবা ওইনা চহী ২ ফাওবা লৈবাকসিদা লৈবা য়াহল্লগনি।

মপান্দগী লাকপা মহৈরোয়শিংনা ঐখোয়গী লৈবাক অমসুং য়ুনিভর্সিটিশিংদা কলচর অমসুং শেল-থুম অনীমক্কী লমশিংদা কন্ট্রিব্যুসন চাওনা তৌরি হায়না বৃটিশ এদ্যুকেসন সেক্রেটরি গাভিন ৱিলিয়মসন্না ফোঙদোকখি।

## খাসোজিগী ওদিও ট্রান্সস্ক্রিপ ফোঙখ্রে

অঙ্কারা, সেপ্তেম্বর ১১ (এজেন্সি) :
টর্কিগী ইষ্টানবুলদা লৈবা সাউদি অরাবিয়াগী কোন্স্যুলেটতা হৌখিবা চহীগী ওক্তোবরদা হাৎখ্রবা গভর্নমেন্ট ক্রিটিক অমা ওইখিবা সাউদি জর্নেলিষ্ট জমল খাসোজিনা হিংলিঙৈগী অরোইবা মীৎকুপশিংগী ফিভমনি হায়বা রেকোদিং অমগী অনৌবা দিটেলস টর্কিগী পাউচে অমনা ফোঙখ্রে।

# ৱারী লেপখিবদগী অফঘানিস্তানদা লান কনখৎলক্লে



কাবুল, সেপ্তেম্বর ১১ (এজেন্সি) :
য়ু এসকী ট্রুপ লিশিং কয়া অফঘানিস্তান্দগী লৌথোকপগী মতাংদা য়ানবা অমা পুরক্লবগী পান্দমদা য়ুনাইটেদ ষ্টেটস অমসুং টালিবানগী মরক্তা চত্থরকখিবা ৱারী শান্নবা কায়খিবা নুমিৎ খরনিগী মতুংদা লৈবাক অদুগী অৱাং থংবা লমদমগী মফম কয়াদা লান কনখৎলক্লে হায়না ওফিসলশিংনা য়ুমশকৈশা ফোঙদোকখ্রে।

অফঘান ওফিসলশিংনা ফোঙদোকখিবদা, য়ামদ্রবদা নোরদর্ন অফঘানিস্তানগী প্রোভিন্স ১০ দা হৌজিক লান কনখৎলকখিবগা লোয়নননা চয়োল কয়ামুক টালিবান্না সিক্যুরিটি ফোর্সশিংদা প্রেসর পীদুনা লাকখিবা অৱাং থংবা লমদমগী টখর, বাঘলান, কুন্দুজ অমসুং বদাখসান হায়রিবা প্রোভিন্সশিং অসিদা খ্বাইদগী কন্না লান শোক্লরিবা মফমশিং ওইরি।

দিফেন্স মিনিষ্ট্রিগী ষ্টেটমেন্ট অমগী মতুং ইন্না য়ুমশকৈশা নুমিত্তা সিক্যুরিটি ফোর্সশিংনা বাদাখসানগী কোরান-ৱা-মোঞ্জান দিষ্ট্রিক্ট অমুক হন্না লৌশিল্লে। হৌখিবা জুলাইদা টালিবানগী মখুত্তা তাখিবা দিষ্ট্রিক্ট অসিনা লালহৌবশিং অদুদা মমিং লৈরবা ব্লু লাপিস লাজুলি ষ্টোনগী রিজার্ভ মরাং কায়না লৈদুনা মমল য়াম্লবা মাইনিংগী রেভিন্যু কয়া ওফর তৌখি।

টালিবান্না চহী ৪ রোম পায়শিন্দুনা লাকখিবা য়ামগান অমসুং ৱারদুজ অমুক হন্না লৌশিল্লবা মতুং হৌখিবা নুমিৎ খরনি অসিদা প্রোভিন্স অদুদা গভর্নমেন্ট ফোর্সশিং থোমজিনখিবদগী মফম অদু অমুক হন্না পায়শিনবা ঙম্বা অহুমশুবা দিষ্ট্রিক্ট ওইরি। অদুমওইনমক য়ুমথংনরিবা টখর প্রোভিন্সকী ওইনদি চয়োল অসিদা গভর্নমেন্ট ফোর্সশিং য়াংগি কালা অমসুং দরকদ দিষ্ট্রিক্টতগী হন্দোকখি। অমরোমদা, খাৱজা ঘর অমসুং ইসকমেস দিষ্ট্রিক্টতনা নাকল অনীগী মরক্তা লান কন্না শোক্লদুনা লৈরি হায়রি।

গভর্নমেন্ট ফোর্সশিংনা দিষ্ট্রিক্ট খরদগী ৱিথড্রো তৌরিবদু মফমশিং অদুদা মীশি-মীনা থোকহন্দনবগীদমক্তা লৌখৎখিবা টেক্টিকেল খোঙথাং অমনি। অহেনবা ফোর্সশিং চঙশিল্লকখিবগা লোয়নননা দিষ্ট্রিক্টশিং অদু অমুক হন্না খুদুম চল্লগনি হায়না টখর প্রোভিন্সকী গভর্নরগী স্পোক্সমেন জৱাদ হেজরিনা ফোঙদোকখি।

অফঘান টালিবন্না সীজফায়র অমা চৎনসি হায়বদা য়াখিদবগা লোয়নননা মখা তানা চত্থখিবা এটেকশিংদা হৌখিবা চয়োলদা য়ু এসকী সর্ভিসমেন অমা শিহনখিবা মতুংদা য়ু এস প্রসিদেন্ট দোনাল্ড ট্রম্পনা লালহৌবা গ্রুপ অসিগা ৱারী শান্নবা লেপ্পবা লৌখিবা ৱারেপ অদুনা মখা তানা অমেরিকানশিংদা মীশি-মীনা হেন্না থোকহল্লগনি হায়না টালিবান্না ফোঙদোকখ্রবনি।

# বোল্টন মফম লৌথোকপনা য়ুনাইটেদ ষ্টেটসকা ৱারী শান্নবা য়াগদবা নত্তে





দুবাই, সেপ্তেম্বর ১১ (এজেন্সি) :
ইরানগী মতাংদা অকনবা পোলিসি চল্লাইবা পান্থা হ্বাইট হাউসকী নেসনল সিক্যুরিটি এদভাইজর জোন বোল্টন্না মফম থাদোকখিবনা ৱাশিংটন অমসুং টেহরানগী মরক্তা ৱারী শান্নবা য়াবগী ফিভম লাকহনবা ঙম্লোই হায়না ইরাননা য়ুমশকৈশা নুমিত্তা ফোঙদোকখ্রে।

প্রসিদেন্ট হসন রৌহানিনা টেহরানদা কেবিনেট মীটিং অমদা ৱা ঙাঙবদা য়ুনাইটেদ ষ্টেটসনা মহাক্কী লৈবাক্তা অঙম্বা থাক্তা প্রেসর পীবগী পোলিসি লেপ্পবা তকশিনখিবগা লোয়নননা তঙাইফদ্রবদি টেহরান্না কুমজা ২০১৫গী ন্যুক্লিয়র দিলগী কম্মিটমেন্টশিং মখা তানা থুগায়গনি হায়বা ৱাফম পনখি।

ইরানগী মথক্তা থল্লিবা অথিংবশিং লৌথোক্তুনা লৈবাক অসিবু ৱার্ল্ড ট্রেদতা শরুক য়াহনবগী ফিভমদা লৈবাক অসিগী এটোমিক প্রোগ্রাম কন্ট্রোল তৌবগী ৱাফম য়াওরিবা টেহরানগা নোংচুপলোমগী লৈবাকশিংগা য়ানখিবা ন্যুক্লিয়র দিল অদুদগী য়ু এসনা হৌখিবা চহীদা ৱিথড্রো তৌখিবনি।

ৱাশিংটনগী খোঙথাং অদুগী পাউখুম ওইনা ইরাননা ন্যুক্লিয়র দিল অদুনা লৈবাক অসিদা থল্লিবা পনখৈশিং থেংখাং নাইনা থুগায়খি। জোর্জ দব্লিয়ু বুসকী এদমিনিষ্ট্রেসনদা সিনিয়র পোজিসন কয়া পায়রম্লবা হার্দ লাইনর অমা ওইরিবা বোল্টন অসি পোলিসি কয়াদা ৱাখল মান্নরক্তবগী মফম লৌথোক্লিবনি হায়না ট্রম্পনা ত্বিটরদা ফোঙদোকখি।

# জোর্দান ভেলি লৌশিনগনি হায়বা নেটনয়াহুগী ৱাফম অরব লিদরশিংনা কন্দেম তৌখ্রে



জেরুসলেম, সেপ্তেম্বর ১১ (এজেন্সি) :
মথংগী চয়োলদা পাঙথোক্কদৌরিবা মীখলদা মঙোন্দা ভোট পীদুনা অমুক হন্না ওফিস পায়হল্লবদি ওক্যুপাইদ ৱেষ্ট বেঙ্ককী জোর্দান ভেলি শোয়দনা লৌশিনগনি হায়না ইজরেলগী প্রাইম মিনিষ্টর বেজামিন নেটনয়াহুনা চেৎনা ফোঙদোকখিবা মতুংদা অরাব লৈবাকশিংনা মহাক্কী ৱাফম অদুবু অকনবা মঙংদা য়ানিংদবা ফোঙদোকখ্রে।

বি বি সীগী রিপোর্ট মতুং ইন্না নেটনয়াহুনা মীখলগী কেম্পেন্দা ৱা ঙাঙবদা ইজরেলি সোভরেন্টি জের্দান ভেলি অমসুং দেদ সীগী অৱাং থংবা শরুক ফাওবা য়ৌহনগনি হায়না ফোঙদোকখি।

অসিগুম্বা খোঙথাং অসি মহাক্না মপান কন্না তাংবগী তঙাইফদবা লৈরিবা রাইট-ৱিং পার্টিশিংনা পামগদবা ওইরবসু পলিষ্টিনিয়নশিংনদি য়াম্না কন্না য়াদ্রি। জোর্দান, টর্কি অমসুং সাউদি অরাবিয়াগী ওফিসলশিং য়াওনা অরাব লৈবাকশিংনা নেটনয়াহুগী লম লৌশিনবগী থৌরাংশিং অদুবু অকনবা মঙংদা কন্দেম তৌখি।

খুদোংথিনিংঙাই ওইরবা থৌরাং অদু অকন-অরিং শীংবগী থৌওং অমনি হায়না আরব লিগনা নেটনয়াহুগী ৱাফম অদুবু অকনবা মঙংদা কন্দেম তৌখি। পলিষ্টিনিয়ন দিপ্লোমেট সাইব ঈরেকটনা ফোঙদোকখিবদা, অসিগুম্বা খোঙথাং অসি লমদম অদুদা মরা তপ্পা ফিভম লাকহন্নবগী থবক পুম্নমক ফেল ওইহনগদবা ৱার ক্রাইম অমা শোয়দনা ওইরগনি। কুমজা ১৯৬৭ তা শোক্লখিবা মিদল ইষ্টকী লান্দা ইজরেলনা ইষ্ট জেরুসলেম, গজা অমসুং সিরিয়ন গোলান হায়টসকা লোয়নননা ৱেষ্ট বেঙ্ক খুদম চনখি।

# পার্লিয়ামেন্ট সস্পেন্দ তৌবা অনলোফুল ওই হায়না স্কোটিস কোর্টনা রুলিং পীবদগী পি এম জোন্সন চৈথেং অমা ফংখ্রে

লন্দন, সেপ্তেম্বর ১১ (এজেন্সি) :
বৃটিশ প্রাইম মিনিষ্টর বোরিস জোন্সন্না চয়োল ৫ পার্লিয়ামেন্ট সস্পেন্দ তৌনবা লৌখিবা ৱারেপ লোগী মায়োক্তা ওইবগা লোয়নননা ৱারেপ অদু চৎনবা য়ারোই হায়না স্কোটলেন্দগী খ্বাইদগী ৱাংবা কোর্ট ওফ আপিলনা য়ুমশকৈশা নুমিত্তা রুলিং পীখ্রে।



প্রাইম মিনিষ্টর জোন্সন্না লুচিংবা হৌজিক্কী বৃটিশ গভর্নমেন্টনা নিংথৌকাবা নুমিত্তা ওক্তোবর ১৪ ফাওবা প্রোরোগ নৎত্রগা সস্পেন্দ তৌখিবনি। ওপোনেন্টশিংনা গভর্নমেন্টকী খোঙথাং অদু মখোয়না প্রাইম মিনিষ্টরগী য়ুরোপিয়ন য়ুনিয়ন থাদোক্লবগী থৌরাংশিং কুপ্না য়েংশিন্নবা হোৎনবা ঙমহন্দনবা অমসুং মহাকপু ওক্তোবর ৩১ দা দিল য়াওদবা ব্রেক্সিট অমা লাকহনবা ঙমহন্নবগীদমক্তনি হায়না য়েৎখি।

পার্লিয়ামেন্টকী থবক থৌরাংশিং খুদক্তগা মহৌশাগী ফিভমদা লাকহন্নবা ঐখোয়না দিমান্দ তৌরি হায়না কোর্টকী চেলেঞ্জ অদুবু লুচিংলিবা স্কোটিস নেসনল পার্টিগী লোমেকর জোনা চেরিনা স্কাই ন্যুজদা ফোঙদোকখি। স্কোটলেন্দগী ইন্নর কোর্ট ওফ সেসন্না ৱায়েল পীরবা মতুংদা মহাক্না ৱাফম অসি ফোঙদোকখিবনি।

বোরিস জোন্সন্না কৈদৌনুংঙৈদসু চৈথেং অমা নংদনা লো থুগায়বা ঙম্লোই। স্কোটলেন্দগী কোর্টশিংনা রুল ওফ লো শোয়দনা শৌগৎকনি। লোয়নননা য়ুনাইদেট কিংদগী সুপ্রিম কোর্টনসু শৌগৎকনি হায়বগী ঐঙোন্দা থাজবা চাওনা লৈ হায়না চেরিনা মখা তাখি।

চৈরকসিদা স্কোটিস কোর্টকী রুলিং অদুগী মতাংদা গভর্নমেন্টনা য়ুনাইটেদ কিংদমগী খ্বাইদগী ৱাংবা থাক্কী জুদিসল বোদি ওইরিবা সুপ্রিম কোর্টতা আপিল তৌরগনি হায়না জোন্সনগী ওফিসনা ফোঙদোকখ্রে।

# য়ু এস, সিরিয়ন ফোর্সশিং ৱার ক্রাইমশিংগা মরী লৈন্নহনখ্রে



জিনিভা, সেপ্তেম্বর ১১ (এজেন্সি) :
য়ু এসনা লুচিংবা কোলিসনগী ফোর্সশিংনা সিরিয়াদা চত্থখিবা এয়র ষ্ট্রাইকশিংদা মীচম কয়া শিহনখিবা নৎত্রগা অশোক-অপন নংখিবগী থৌদোকশিংনা ফোর্সশিং অদুনা ওপরেসনশিং অদু পাঙথোকপদা তঙাইফদবা চেকশিন-থৌরাংশিং লৌখৎখিদবগা লোয়নননা মখোয়না ৱার ক্রাইম কয়া চত্থরম্বা য়াই হায়বগী থাজবা লৈহল্লি হায়না য়ুনাইটেদ নেসন্সকী ইনভেষ্টিগেটরশিংনা য়ুমশকৈশা নুমিত্তা ফোঙদোকখ্রে।

সিরিয়ন গভর্নমেন্ট অমসুং মীচং রসিয়নশিংগী ৱার প্লেনশিংনসু মেদিকেল ফেসিলিটিশিং, স্কুলশিং, মার্কেটশিং অমসুং ফার্মলেন্দদা অতম্লনা টার্গেট তৌখিবা মানবা শাথিরবা কেম্পেন অমা পাঙথোকখিবগা লোয়নননা মদুসু ৱার ক্রাইমশিংগা মান্নবা য়াই হায়না সিরিয়াগা মরী লৈনবা য়ু এন কম্মিসন ওফ ইক্বাইরিগী রিপোর্ট অদুনা হায়খি।

ইনভেষ্টিগেটরশিং অদুনা ইদলিবতা অরিংবা খুৎলায় পায়বা গ্রুপ অমা ওইনা ওপরেট তৌরিবা হান্না নুস্রা ফ্রন্ট হায়না খঙনরম্বা জিহাদিষ্ট এলাইয়েন্স অমা ওইরিবা হয়ট টহরির-অল সামবু মী তাবা মফমশিংদা মথোং-মরম খঙদনা রোকেট পংকাপতা কাপশিন্দুনা মীচমশিং হাৎলি হায়না মরাল শীখি।

চহী ৮ শুজিল্লক্লবা লান অদুদা মীওই লিশিং চা কয়াগী পুন্সি লোমখিবগা লোয়নননা মীওই মিলিয়ন ১৩ নমদুনা ময়ুম থাদোক্তুনা লাঞ্জেনহনখি। লাঞ্জেন্নরিবা মীওইশিং অসিগী তঙ্খায়দি মখোয়গী লৈজরিবা পুম্বগা লোয়নননা মখোয়গী হোমলেন্দ থাদোকখ্রবনি।

ইস্লামিক ষ্টেট তকথোক্লবগী লান অমদা য়ু এসনা লুচিংবা কোলিসনগী এয়র পৱারগী মতেংগা লোয়নননা কর্দিস ফাইটরশিংসু য়াওরিবা সিরিয়ন দেম্মক্রেটিক ফোর্সেসনা হৌখিবা দিসেম্বরগী অরোইবা শরুক্তা ইষ্টর্ন সিরিয়দা লৈরিবা গ্রুপ অদুগী অরোইবা মরু ওইবা ষ্ট্রোংহোলনি হায়না লৌনবা হজিন অমুক হন্না পায়শিনবা ঙমখি। কোলিসনগী অল-জজীরা ষ্টোর্ম অদুদা অঙাং ১২ য়াওনা মীচম ১৬ শিখি হায়না য়ু এন রিপোর্ট অদুদা পনখি।

# টাইৱাননা সিটিজনশিংদা হোং কোং অমদি চাইনাদা চত্তনবা খঙহনখ্রে

টাইপৈ, সেপ্তেম্বর ১১ (এজেন্সি) :
হোং কোংগী প্রোটেষ্টশিংনা হান্নদগী টেন্সন লৈবা টাইৱান অমসুং বৈজিংগী মরী হেন্না লুশিনহনখিবগা ইরোইননা টাইৱানগী রুলিং পার্টিনা য়ুমশকৈশা নুমিত্তা ইথৎ অসিগী সিটিজনশিংদা হোং কোংদা চৎতনবা খঙহনখ্রে।



টাইৱানদগী চৎখিবা মীওই অমা চাইনাদা ষ্টেট সিক্যুরিটি চার্জশিংদা য়ুম্ফম ওইরগা ফাজিনখিবা মতুংদা টাইৱানগী রুলিং পার্টিনা সিটিজনশিংদা হোং কোংদা চত্তনবা খঙহনখিবনি।

চাইনানা হায়খি মদুদি, সাউদর্ন চাইনিজ সিটি সেঞ্জেংদা চৎখিবা মতুংদা হৌখিবা ওগষ্ট ১৯ দগী মৱা-মপাউ অমত্তা তাখিদবগা লোয়নননা থিবা খঙলকখিদ্রবা লী মেং-চু কৌবা টাইৱানগী অপীকপা টাউনসিপ অমগী এদভাইজর অদু ষ্টেট সিক্যুরিটিদা খুদোংথিনিংঙাই ওইগদবা মঙংদা ক্রিমিনেল ওইবা থবক থৌওং কয়াদা চৈন্নে হায়না চিংনবদগী ফাখিবনি।

লীনা সেঞ্জেংদা চৎখিবদগী থিবা খঙদ্রিঙৈগী মমাংদা মহাক্না হোং কোংগী প্রোটেষ্টশিং অমসুং সিটি অসিগা তাইনরিবা চাইনাগী বোর্দরদা পৈশিন্দুনা লৈরিবা চাইনিজ ট্রুপশিংগী ফোটো কয়া চাইথোক্লমখি হায়না টাইৱানগী ওফিসল সেন্ট্রেল ন্যুজ এজেন্সিগী রিপোর্টনা হায়খি।

টাইৱানগী রুলিং পার্টিনা ষ্টেটমেন্ট অমদা ফোঙদোকখিবদা, হোং কোং অমসুং চাইনাদা মনুংগী ওইবা অরুবা ফিভম কয়া লৈবনা মরম ওইদুনা হায়রিবা মফমশিং অসিদা চত্তনবা ইথৎ অদুগী সিটিজনশিংদা খঙহনখ্রে। টাইৱানগী রুলিং পার্টি অসিনা মেনলেন্দ চাইনাদা লীবু ফাজিন্দুনা থম্বগী থৌওং অদু অকনবা মঙংদা কন্দেম তৌখি। মীয়াম্না হায়রিবা মফমশিং অসিদা চৎপা তারবদি তঙাইফদনা মখোয়না সেফটিগী ৱাফম লুনা লৌবগা লোয়নননা কদায়দা লৈরিবগে হায়বসি মতম পুম্বদা ইমুং-মনুং অমদি মরুপ মপাংশিংদা খঙহনগদবনি হায়না পার্টিনা ফোঙদোকখি। প্রসিদেন্ট সী জীনপিংনা কুমজা ২০১২ দা পৱার পায়বা হৌখিবদগী বৈজিংদা লৈরিবা কম্যুনিষ্ট পার্টিগী রুলরশিংবু খ্বাইদগী চাওনা শীংনরিবা চাইনানা লৈঙাক্লিবা হোং কোংগী প্রোটেষ্টশিংনা ক্রোস-ষ্ট্রেটকী মরীশিং লুশিলহল্লিঙৈদা চাইনাদা টাইৱানিজ সিটিজন অদু ফাজিনখিবনি।

# জপানগী অবেনা কন্সটিট্যুসন শেম্বদা মীৎয়েং থমদুনা মচিন তুমখৎলক্লিবা ষ্টার এম পি অনৌবা কেবিনেটতা য়াওহনখ্রে



টোকিয়ো, সেপ্তেম্বর ১১ (এজেন্সি) :
জপানগী প্রাইম মিনিষ্টর সীঞ্জো অবেনা লৌখৎলকখিবা রিসফলগী খোঙথাং অমদা য়ুমশকৈশা নুমিত্তা লৈবাক অসিগী হান্নগী প্রাইম মিনিষ্টর জুনিচিরো কোইজুমিগী মীয়াম্না য়ানরবা মচানুপা কেবিনেটতা য়াওহনখ্রে।

খুৎলায় শাবা অমদি পৈশিনবদা অথিংবা থল্লিবা কন্সটিট্যুসন শেমদোক্লবগী পান্দমগা লোয়নননা তঙাইফদনা টেক্স হেনগত্তবা য়াদবগী ফিভম অমসু মায়োক্লরিবা প্রাইম মিনিষ্টর অবেনা মহাক্কী কেবিনেটতা কঞ্জার্ভেটিভ মীচংশিংসু হাপচিনখি।

অবেগী রুলিং লিবরেল দেমোক্রেটিক পার্টি (এল দি পি) গী মতম শাংলক্লবা মরু ওইরবা পান্দম অমা ওইরিবা কন্সটিট্যুসন শেমদোকপগী ৱাফম্না মহাক্কী কেবিনেটনা মায়োক্ল রক্লিবা অরুবা শীংনবশিংগী মরক্তা অমা ওইরকখিবগা লোয়নননা অনৌবা রিসফল অসি পাঙথোক্লিবনি হায়না মহাক্না অনৌবা কেবিনেট মেম্বরশিং লাউথোক্লবা মতুংদা ন্যুজ কনফরেন্স অমদা ৱা ঙাঙবদা হায়খি।

অরৈবা উপাই পুম্নমক শীজিন্নদুনা মহাক্কী পার্টিগী মতম শাংলক্লবা জপানগী কন্সটিট্যুসন শেমদোকপগী থবক শুংশোই শোয়দনা পাঙথোক্কনি হায়নসু অবেনা ফোঙদোকখি।

তুংদা লৈবাক অদুগী খ্বাইদগী ৱাংবা ফম পায়হনবগী মতাংদা ভোটর অয়াম্বনা শৌগৎনবা লোমেকরশিংগী লিষ্টতা মাঙজিল থারিবা নহা ওইরিবা সিঞ্জিরো কোজুমিবু প্রাইম মিনিষ্টর অবেনা ইনভাইরনমেন্ট মিনিষ্টর ওইনা থৌ পুহন্নবগীদমক্তা কেবিনেটতা পুশিনখিবনি। য়ুমশকৈশা নুমিত্তা লাউথোকখিবা এপোইন্টমেন্ট ১৯ গী মনুংদা য়াওরিবা অহানবা ওইনা মিনিষ্টর ওইগদবা মীওই ১৩গী মনুংদ কোজুমিসু অমনি। মশাগী চহী ৩৮ শুবদা ঙাইরিবা কোজুমিনা লান মতুংগী জপান্দা পোর্টফোলিও অমা ফংবা খ্বাইদগী নহা ওইবা মীশক ওইরে হায়রি।

# লিবিয়াদা ফিভম চাদনা লৈরিবা রেফ্যুজিশিং হোন্দোক্লগনি

জিনিভা, সেপ্তেম্বর ১১ (এজেন্সি) :
মীওই ৪,৭০০ লোম য়াম্না খুদোংচাদবা ফিভমদা ফাজিন্দুনা থল্লিবা লিবিয়াদগী রেফ্যুজিশিং পুন্না হোন্দোকমিন্নবগী ৱাফম অমা য়ুমশকৈশা নুমিত্তা রুৱান্দান গভর্নমেন্ট, য়ুনাইটেদ নেসন্স রেফ্যুজি এজেন্সি অমসুং অফ্রিকান য়ুনিয়ননা য়ানরে হায়না য়ু এন ঐচ সী আরগী ষ্টেটমেন্ট অমনা ফোঙদোকখ্রে।



এগ্রীমেন্ট অদুগী মখাদা লিবিয়াদা লৈরিবা ফেসিলিটিশিংদা থল্লিবা রেফ্যুজিশিং অমসুং চঙজফম নীরিবশিংবু রুৱান্দানা লৌশিন্দুনা ঙাকপি-শেনবিগনি। মখোয় ভোল্টরি ওইবা মওং অমদা রুৱান্দাগী ওথোরিটিশিংগী মখুত্তা শীন্নগনি হায়না ষ্টেটমেন্ট অদুনা মখা তাখি।

য়ানখিবা মতুং ইন্না রেফ্যুজিশিং হোন্নবগী ফ্লাইটশিং মথংগী চয়োল খরা অসিদা পাইবা হৌরগনি হায়না থাজনরি। ওপরেসন অদু রুৱান্দা অমসুং লিবিয়ন ওথোরিটিশিংগা নীংথিনা কোওপরেসন পীনদুনা পাঙথোক্কনি হায়না ষ্টেটমেন্ট অদুদা পনখি। অঙাংশিং অমসুং নহারোল কয়া য়াওনা হোর্ন ওফ অফ্রিকাদগী অয়াম্বা ওইবা অহানবগী মীওই ৫০০ শাবা গ্রুপ অমা লিবিয়াদগী এয়রলিফট তৌগনি। রেফ্যুজিশিং অদু রুৱান্দাদা থুংলবা মতুংদা য়ু এন ঐচ সী আরনা মীওইশিং অদুগী তুং কোইনা চৎনগদবা সোল্যুসনশিং পুথোক্লবা মখা তানা হোৎনখিগনি হায়না ষ্টেটমেন্ট অদুনা মখা তানা পনখি।

তুং কোইনা চৎনগদবা সোল্যুসনশিং অদুদা রেফ্যুজিশিংবু অহুমশুবা লৈবাকশিংদা নৌনা খুন্দা লৈতাহনবা, মখোয়বু হান্না চঙজফম পীখ্রবা লৈবাকশিংদা অমুক হলহনবা নৎত্রগা খুদোংথিনিংঙাই ওইদ্রবদি হোম লৈবাকশিংদা হলহনবগী ৱাফমশিংসু য়াওবা য়াই। লিবিয়াদগী হোন্দোরক্কদৌরিবা রেফ্যুজিশিং অদুগী মনুংদগী খরদি রুৱান্দাগী ওথোরিটিশিংনা য়াবগী মতুং ইন্না লৈবাক অসিদা লৈনবগী পার্মিসন পীরবা য়াই হায়রি।

রেফ্যুজিশিং অদুবু লিবিয়াদগী হোন্দোকপদা অফ্রিকান য়ুনিয়ন্না মতেং পাংবগা লোয়নননা ট্রেনিং অমসুং কোর্দিনেসনগী ওইবা পোলিটিকেল সপোর্টসু পীগনি। লোয়নননা রিসোর্স মোবিলাইজেসনগা মতেং পাংগনি। অমরোমদা, য়ু এন ঐচ সী আরনা চানবা পোৎলমশিং, ঈশিং, লৈফম, এদ্যুকেসন অমসুং হেল্থ ক্যের য়াওনা তঙাইফদবা হ্যুমেনিটেরিয়ন মতেং অমসুং প্রোটেক্সন সর্ভিসশিং পীগনি।